**এদিটৌরিয়েল**

# রেবিজ লায়না থিংনবা হোৎনবা অচৌবা শেঞ্জাও থেংনগদৌরিব্রা

হন্দক মণিপুরগী মফম খরদা রেবিজ লায়না শন্দোরকপগী মতাংদা লমদম অসিগী মীয়ামগী পুক্নিংদা তংদু লৈতাদবা অমদি চরাংনবা পোকহল্লি। অসিগুম্বা খঙহৌদনা শন্দোরক্লিবা লায়নাশিং অসি মতৌ করম্না থিংগদগে হায়বগী মতাংদা হেলঠ দিপার্টমেন্টনা অকনবা মীৎয়েং চংবগা লোয়ননা লায়না অসি থেংননবা রেপিদ এক্সন টিম শেম্নবা খঙহনখ্রে। মসিদা নত্তনা হুই লোইবা কাঙবুশিংনা মখোয় মখোয়গী হুইশিং অদু থাদোরকপা তারগদি ফারগা চৈরাক পীননবা মণিপুর সরকারগী কেবিনেট মীফম্না ব্রারেপ লৌখিবগী ব্রাফম লৈখ্রে। অমরোমদা হৌজিকসি হুই অমসুং হৌদোং ঙাওবগী চাং তপ্না তপ্না হেঙ্গৎলক্লি। রেবিজ হায়রিবা লায়না মখল অসি কদোমদগী কমদৌনা শন্দোরকপনো হায়বদু হেলঠ দিপার্টমেন্টনা মমাঙদাময়েক শেংনা ফোঙদোকপা লৈখ্রে। হুইশিংনা অমাংবা অমদি ফত্তবা হাওদি ময়াম চারুবদগী অসিগুম্বা লায়না মখল অসি শন্দোরকপদা নত্তনা ঐখোয়গী লমদম অসিদদি য়ুমদা লোইনরিবা হুই খুদিংমক থাদোক্লবা ঙাক্তনিনা লমহুইগুম্বা শাশিংগা চিক্লরুবদগী লায়না অসি লৌনরকপনি। হায়রিবা লায়না অসিমক য়ুমদা য়োক্লিবা হৌদোংশিংদসু শন্দোরকই। মীয়াম্না খঙনরিবা লম হৌদোং হায়রিবা হৌদোং মখল অসিদসু রেবিজ হায়রিবা মহিক মখল অসি শন্দোকপগা লোয়ননা রেবিজ লায়না লৈরবা হুই নত্রগা লম হৌদোংশিং অদুনা য়ুমদা য়োক্লগা লৈরিবা হৌদোংশিং অদুদা খোৎলুবা নত্রগা চিক্লরুবদগী লায়না অসি মথং মথং মীওইবদসু শন্দোরক্লিবনি। হৌজিক ফাওবদা সরকারগী রেকোর্দতা লৈবগী মতুং ইন্না হুইনা চিকপা মীওই ২৪ অমদি হৌদোংনা চিকপা মীওই ৭ লায়কন্ননবা রিমসতা পুখৎলকখ্রে হায়বসিনি। সরকারনা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অমদি প্রিভেন্সন অসি য়াম্না থাগৎনিংঙাই ওই। অনৌবা হেলঠ দাইরেক্তর অমা ষ্টেট অসিদা লাকপদগী খুদক্তা মীয়ামগী খোল্লাও অমদি মীয়াম্না ব্রারিবা অব্রাবা পোৎলুম কয়া অদু কোকহন্ননবা থৌরাং পায়খৎপগী মমি তাই। হৌজিক ষ্টেট গভর্নমেন্টনা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসিদা হুই অমসুং হৌদোংশিংদা এন্টি রেবিজ ভেক্সিন কাপথোকপগী থৌরাং পায়খৎলিবসি হেন্না খুমাঙ চাওশিন্না চংশিনবগী তঙাইফদবা অদু লাক্লে।

লুরক্লিবদি ষ্টেটসিদা পরম অমদি পথাপ চুম্না থবক তৌবগী হৈনবী অমা লৈতবা অসিনি। মালেমদা লায়েংবা ঙমদে হায়নরিবা ঐচআইভি/এইদস তগী মীয়ামগী পুন্সি কন্ননবা হোৎনবদা মণিপুর ষ্টেট এইদস কন্ত্রোল বোর্দ অমদি মহাক্কা চৎমিন্নরিবা কাঙবুশিংনা এইদসকী মিংদা চাওনা শেল তাল্লে হায়না ঙাংনবা অমসু লৈরি। ঐচআইভি অমদি এইদসতগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবা অমদি মসিগীদমক ব্রার্ল্ড হেলঠ ওর্গনাইজেসন্দগী শেল্হং লৌথনবা হোৎনবদা মণিপুরদা লৈরিবা মীওই খুদিংমক ঐচআইভি অমদি এইদসকী লায়না লোইনা লৈরবা মীগুম্না উহল্লি। অসিগুম্বা রিপোর্ট কয়া অসিনা মণিপুরগী মীয়ামবু মালেমগী মীয়াম্না ওহ্লোকপা থাক অমদা থন্বগা লোয়ননা হন্থবা মীৎয়েংদা য়েংলি। হোয়, চুম্মী ষ্টেট অসিদা ঐচআইভি অমদি এইদস নারবা মীওই লৈ। তৌবতবু মণিপুর এইদস কন্ত্রোল সোসাইটিনা থাগৎলিবা মীগী মশিংদুদি হেনমল্লি হায়বসিনি। অসুম্না ষ্টেট অসিদা ঐচআইভি অমদি এইদস থেংননবা হোৎনবদা লৌরিবা খুদোংচাবা অদুগুম্না রেবিজ লায়না শন্দোরকপগী অব্রাবা মায়োক্লরিবা মণিপুর মীয়ামগী মিংদা হেলঠ দিপার্টমেন্টনা খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনরোইদবনি। হেলঠ দিপার্টমেন্টনা হৌজিক লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসিদা রেবিজ লায়না শন্দোরকপদগী ঙাকথোকপা অমদি থেংনখিবা য়াই। তৌবতবু হুই অমসুং হৌদোংনা চিকপদগী রেবিজ লায়নানা নারবা মীগী মশিং মণিপুরদা য়াম্না লৈরে হায়বা অদুমদি মালেমগী মীয়ামদা লান্না উহন্নবা হোৎনরোইদবনি। মণিপুর ভারতকী অব্রাং নোংপোক চিদাইদা লৈবা অদুগুম্বা ষ্টেট অমনি। ষ্টেট অসি পিকচরবসু মশাগী কলচর, মশাগী রিলিজন, মশাগী হেরিটেজ অমদি মশাগী আইদেন্টিটি লৈজরিবনি। পুম্নমকসিগী মথক্তা লৈবাক অসিগী ওইনা স্পোর্টসকী পব্রার হাউস অমনি হায়না শক খঙবগা লোয়ননা ঙসিগী মালেমদা মণিপুরগী শান্নরোইশিংনা ইন্দিয়া অমদি মণিপুরগী মশক তাক্লিবনি। শান্নরোইশিংগী কথোকপা অমসুং মখোয়গী হোৎনজমন্না অপীকপা চীংলৈবাক অসি মশক তাকপগা লোয়ননা মতম অমদা কনানসু মশক খঙবীরমদ্রবা মণিপুর ঙসিদি মশক খঙলকপগা লোয়ননা, মনিং মখা তম্না লৈজরম্বা মণিপুর ভারতকী মপুং ফাবা ষ্টেট অমা ওইরে হায়বসিসু খঙনরিবনি। পুম্নমক অসিনা মরম ওইরগা হন্দক ষ্টেট অসিদা রেবিজ লায়না শন্দোরক্লিবা অসি থিংনবা হোৎনবদা খুদোংচাবা লৌরগা শেল তান্নবা হোৎনরোইদবনি। মণিপুরগী মীয়ামবু মালেমগী মীয়ামদা থাক ব্রাংনা উহন্ননবা হোৎনবদা হেলঠ দিপার্টমেন্টকী চাওরবা থৌদাং অদু পুম্নমক্কা ঙাইনরি।